থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

আর বি আইগী গভর্নর

ঙসি তমগে খল্লুরিবা পাউদম অসি তশেংবদি ‘মনাৎ নত্তনা শঙ্গোম চানীংবা’ হায়বা অদুঙৈগী মীতৈ পাউরৌ অদু তাদৌরে। চহী দিকেদ অহুমলোম হায়বদি, চহী ৩০ রোম ফাইনান্সল ইন্সটিট্যুসন (নেসনেলাইজ) বেঙ্ক অমদা হিংনবগী শীনফম ওইবা থবক অমা সুরম্মী হায়বই ৱানি - ইকোনোমিষ্ট অমা হায়বদুদি ওইরকখিদবনা বেঙ্কিং, ফাইনান্স অমদি মনিতরি পোলিসিনচিংবই মতাঙদদি ঐগী লৌশিং জিরোনি হায়বা য়াই। শুরিবা থবক খুৎশুদসু প্রোফেসনেল বেঙ্কর ওইগে খন্না শুবা অমত্তা নৎনদবনা পোলিসি মেত্তরনচিংবদা কনানসু পূক্নিং চিংশিন্নদে, খুৎশুমল শোয়দ্র লোইরে হায়বই খুৎশুদুনি।

অদুবু, শিন্মী অমা ওইনা শীনশঙদা শুরুরবনা, শিন্মীশিংগী হক তানবই খোঙজং কয়াদা খোঙ থাংজিল্লুই। ত্রেদ য়ুনিয়নিষ্ট ওইরকখি। থবক্তুই পোত্থারবা মতুংদসু থৌদাংদুদই লাপথোক’ঙমদা ঙসিসু অদুম থৌপুরি - ত্রেদ য়ুনিয়ন লোয়শঙগী। অদুনা মরম ওইরগা, শিন্মীশিংবু মেছিনগুম্না খল্লকপা, হিংবই হক তালহৈদবা ইনহ্যুমেন ওইবা থৌশিল কয়া চত্থরকখিবদুই মায়োক্তা খোঞ্জেল থোক্লা লাউরকপনা, মনুং হুৎনা খঙদ্রসু খঙদ য়াদ খরদুদি খঙনবা হোৎনরকখি। ১৯৬৯ অমদি ১৯৮০, থেংখাং অনীরক্তা বেঙ্ক নেসনেলাইজ তৌখিবদুনা, মীয়াম অমসুং বেঙ্কনকশিন্নদা য়াদ নকশিন্নরকখি, মীয়ামগী লন্না নেসনেল ইকোনোমিদা অচৌবা থৌদাং য়ারকখি। লল্লোন-ইতিক তৌবশিংগী মতেঙ পাংনবইদমক বেঙ্ক লিংবা নত্তবা, নেসনেলাইজ বেঙ্কশিংনা ইন্দিয়ন ইকোনোমি অসিগী য়াঙলেন শরু ওইরকখি।

খঙহৌদে, ১৯৯১- ইন্দিয়ন ইকোনোমি - কীন্থগদৌরবা য়ুম অমা ওইরমখি। ইকোনোমি অসি কন্নবা, থোক্লম্বা য়াবা সোসল দিসত্তর্দর অমা কন্নবা, থৌনা ফবা পোলিতিকল ৱারেপ অমা লৌবা তাখি - নেসনেলাইজেসন তুংওইনরম, প্রাইবেতাইজেসন থাগোন্নবা। অদুবু কৌই - ন্যু ইকনমিক পোলিসি, ওপন মার্কেৎ পোলিসি। মদুগী মতুং তাবদনি, ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈত হোংলক্লিবা - ইনাকখুনবই মীচঙ চঙবা, লায়রবগী য়েক্লবা অনৌবা বেঙ্কিং পোলিসি।

বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীনা থিংলসু অকনবা ফিরেপ অমগা চংশিল্লকখিবা গ্লোবেল এটেক্টনি। অমগী মথংদা অমা লাকখিবা লৈঙাক খুদিংমক, ওইনিংবা পার্তি ওইসনু, লায়রবইদি য়েক্লবনি। অসুম্না’সুম লাকপনা হৌজিক ঙাক্লিবা লৈঙাকসিনা মমাংগী লৈঙাক পুম্নমক্তগী খ্বাইদগী হেল্লি তমথিবা - মায়কৈ খূদিংদগী হায়নরকই।

লোইনাইদ্রবা ৱারীনি, তেল্ল’ পাউদম অসিদা লীরুগনি করম্না। অদুবু কান্নদবা পন্দুপশিংদু কান্থোক্লগা, অচৌবা ৱাথোক অম’নিসি কান্থোকফদে লীরমগে। মীখল মতমনা নকশিল্লকপগা, মীচম মীয়ামগী থম্মোয়দা কাউঙমদবা চৈনা পানখিবশিংদু নীংশিংনরকই নৌহৌনা ... দিমোনিতাইজেসন অমদি জি এস তি। অফবশিংদি কাউথোকপা ফত্তবদুতা নীংশিংবা - মীওইপোক্কী লীচৎনিদনা। অফবা খরা লাকখিবদু নীংশিংনদে কনানা। জি এস তিদা হৈনবা মতম খরা চঙখিদৌবনা, চৈনাসিগী চৈথেঙদি ফংবা তাইদনা লৈঙাকসিসু, তৌজরুবা কম্মনি।

চহী অনীগী মমাংদা ঙাংখিদবা ৱাঙাং অমা লৈপাকসিগী সেন্ত্রেল বেঙ্ক ওইরিবা আর বি আইনা ঙাংলকই - চৎনহনখিদ্রবা শেল ময়েক পুম্নমক বেঙ্ক’সিদা (আর বি আইদা) অমুক হল্লকখ্রবগুম্বনি, দিমোনিতাইজেসনগী পান্দম ফংখিদবগা পাংখকনি। বেঙ্কসিগী গভর্নর ‘উর্জিৎ পতেল’ গা লৈঙাক পুবা অঙম্বশিংগা মান্নদবা মত, তপ্না তপ্না মপান থোকপা হৌরকখি। লৈঙাক্কী মহুৎ শিন্না লাকখিবা বোর্দ মেম্বরশিংগা পতেলগা ফোংনা মূক্লবা মমাঙগী মীফম অনীদুদা (ওক্তোবর ২৩ অমদি নবেম্বর ১৯) ওপন সেক্রেত (অফোঙবা অরোনবা) হায়বদু ওইরকখি। পায়খৎফম থোকপা এজেন্দা ১৩ গী মনুংদা অনীখক্তমক পায়খৎখি। ইফোং ফোংনা খঙনরবনি - রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ফঙ্কসনিং, গভর্নমেন্টকী মখাদা থম্বগুম্না পায়শিন্নবা হোৎনরকপা, ‘উর্জিৎ পতেল’ না য়ানিংদে। লেমহৌবা এজেন্দা ময়ামগা, অনৌবা এজেন্দা খরগা দিসেম্বর ১৪ গী বোর্দ মীটিংদা পুথোক্কদবা এজেন্দাশিং খন্নবদা ওইরক্কদবা ওইহন্নিংদবশিংদুগী খল্লগা, দিসেম্বর ১০ দা ইরেম লেম্না, মরন্নাইগী ওইবা তঙায়ফদবা খরদগী থবক্তুগী পোত্থাজরগে হায়দুনা পোত্থাখি।

হাঙহন্দুনা থম্বা য়াদবা ফম ওইবনা মশাগী চহী ৬৩ শুরবা তামিলনাদু কেদরগী আই এ এস ওফিসর ‘শক্তিকান্ত দাস’, হান্নগী ইকনমিক এফ্যার্স সেক্রেটরিবু ২৫ শুবা রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী গভর্নর ওইনা হাপখি (দিসেম্বর ১২)। ২০১৬ কী দিমোনিতাইজেসন তৌবদা শক্তিকান্ত দাসকী অচৌবা খূৎ য়াওই ঙাঙনখিবনি। মহাক্কী হেক মমাংগী গভর্নর অনী - পতেল অমদি রঘুরাম রাজনদি শক্লায়রবা ইকোনোমিষ্ট ঙাক্তুনি। ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেইতলিনা অনৌবা গভর্নর অসিবু মতিক চাবা, মতিং লৈবা, থবকসিগীদমক চপ চাবা মীওই অমনি হায়না শীংথাই। অদুগা, বি জে পিগী রাজ্য সভাগী এম পি সুব্রমনিয়ম স্বামিনদি মহাকপু খ্বায়দগী মতিক চাদবা, ইন্তিগ্রিতি য়াওদবা, শেঞ্জা থুমজাদা চেন্নবা ওফিসর অমনি, আর বি আইগুম্বা অচৌবা ইন্সটিট্যুসন অমগী গভর্নর ওইহল্লোইদবনি হায়। কনাগী মৱা তাগনি?

লৌশিং পুক্কে

অনৌবা লোল তম্বগী কান্নবা

হান্না খঙলমদবা অতোপ্পা ফুরুপকী লোল অমা তম্বা মতমদা ব্রেনগী ইলাষ্টিসিটি হেনগৎলকপগা লোয়ননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ হেলসিনকিগী রিছার্চর য়ুরি ষ্টিরোভনা লুচিংদুনা চত্থখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, অনৌবা ফোরেন লেংগ্বেজ মশীং য়াম্না তল্লিবমখৈ ব্রেনগী ফীভম ফবা হেনগৎলকই। রিছার্চরশিংনা মহৈরোয় ২২ (নুপা ১০ অমসুং নুপী ১২) দা ষ্টদি চত্থবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

ইলেক্ট্রোইন্সেফালোগ্রাফি (ঈ ঈ জি) শীজিন্নদুনা মহৈরোয়শিং অদুগী ব্রেনগী ইলেক্ট্রিকেল এক্তিভিটি ওনবদা অনৌ-অনৌবা লোল তম্বা মীওইশিংগী ব্রেনদা ইলেক্ট্রিকেল এক্তিভিটি হেনগৎলকই হায়বা খঙলকখিবনি। অনৌ-অনৌবা লোল তল্লিবমখৈ ব্রেন শীজিন্নবসু হেনবনিনা ব্রেনগী ফীভম ফবা হেনগৎলকই।

অমরোমদা, স্বিদেনগী রিছার্চরশিংনা চত্থখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি অনৌবা লোল অমা খঙননবা হোৎনবা হায়বসি ব্রেনগীদমক্তদি খ্বাইদগী ৱাবা থবক্লি। অদুবু অসুক্কী মতীক কান্নবা হেল্লি। ৱারিবা চাং অদুমক য়ৌনা কান্নবা ফংই। অতোপ্পা ফুরুপকী লোল অমবু খঙননবা তম্বদা ব্রেননা নীংথিনা শাজেল তৌবা মরম্না ব্রেনগী মপাঙ্গল কনখৎলকপগা লোয়ননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লকই।

মতম অমদা অঙাংশিংবু লোল অমদগী হেন্না ঙাঙবা মফমদা য়োকপা মতমদা অঙাং অদু শিংবগী চাং ৱাৎলি হায়না থাজনরম্মী। মদুনা অঙাংগী ব্রেনদা চমম্বা পোকহন্দুনা সিজোফ্রেনিয়া ওইহল্লকপা য়াই হায়না থাজনখি। হৌজিক্তি ৱাফম অসি অরানবনি হায়বা খঙলে। অনৌ-অনৌবা লোল কয়ামরুম তম্বনা ব্রেনগী ফীভম ফনা থম্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা পাম্বৈনি হায়বা খঙনরকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা রিছার্চ কয়া পাঙথোক্লরবা মতুংদা অখঙ অহৈশিংনা হায়খি, লোল অমসুং খঙবা মীওইশিংদগী লোল অনী নৎত্রগা মসিদগী হেন্না খঙবা মীওইশিংনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেল্লি।

ওইনিংবা চহী মতাং ওইরবসু কনাগুম্বা মীওই অমনা অনৌবা লোল তম্বা মতমদা ফংলিবা কান্নবসি জেনরেল ইন্টলিজেন্স হেনগৎলকপা, অহান-অকোন খঙনা মথৌ পাঙথোকপগা লোয়ননা অচুম্বা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা, অকোয়বদা থোক্লিবা থৌদোক নীংথিনা খঙবা ঙম্বা, অতোপ্পা মীগী পুকচেল লায়না খঙবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেনগৎলকপা অসিনচিংবনি। মসিদসু নত্তনা ব্রেনগী সাইজ হেনগৎলকপগা লোয়ননা ব্রেনগী লেংগ্বেজ সেন্টর অমদি হিপো-কেম্পস চাউবা হেনগৎলকই। মেমোরি পুম্নমক ব্রেনগী হিপো-কেম্পসতা তুংশিন্দুনা থল্লিবনি।

স্বিদিশ ষ্টদি অমদা নহা ওইরিবা মিলিটরি রিক্রুইটশিংবু অনৌবা লোল অমা তম্বীরম্মী। ষ্টদি হৌদ্রিঙৈ মমাঙ, চত্থরিঙৈ মনুং অমসুং লোইরবা মতুংদা মেগনেটিক রেসোনেন্স ইমেজিং (এম আর আই) ব্রেন স্কেন তৌবদা অনৌবা লোল তম্বা মীওইশিংগী হিপোকেম্পস চাউখৎলকপা থেংনখি। মদুগা লোয়ননা ব্রেনগী তোঙান তোঙানবা শরুক্তা লৈবা ন্যুরেল পাথৱে মশীং হেনগৎলকখি।

অতোপ্পা ষ্টদি অমদা ইংলিস লোল ঙাঙবা মীওই খরবু চাইনিজ লোল তম্বীরবা মতুংদা এম আর আই লৌদুনা য়েংবদা ব্রেনগী তোঙান তোঙানবা রিজনশিংদা কনেক্টিভিটি হেনগৎলকপা থেংনখি। ব্রেনগী মথৌদা অহোংবা লাকপগা লোয়ননা চয়োল তরুক্কী মনুংদা ব্রেনগী ষ্ট্রকচরদা অহোংবা লাকপসু থেংনরম্মী।

অহল ওইরবা মীওইশিংদসু মতৌ অসুম্না ব্রেনদা অহোংবা লাকপা থেংনবদগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, চহী য়াম্বা-য়ামদবা থিদনা ব্রেনদি শীজিন্নরিবমখৈ ফীভম ফবা হেনগৎলকই। হান্না খঙলমদবা লোল অমা তম্বা মতমদা দিমেন্সিয়া অমসুং অলঝিমর’স দিজিজনচিংবা লায়নাশিংগী রিস্ক হন্থরকই হায়রি। অলঝিমর’সকী হীদাক চাবা মতমদা লায়না অসি নারক্কদবদগী থা ৬ কুম্বা য়ৈথোকপা ঙম্মী। অদুবু অনৌবা লোল তমদুনা ব্রেন শীজিন্নবা মতমদদি চহী ৪/৫ য়ৈথোকপা ঙম্মী।

অতোপ্পা লোল অমা তম্নবগী মতাংদদি মতম থেঙমনবা হায়বা অমা লৈতে। অঙাং ওইরিঙৈদনা খরা থুনা হৈগল্লি হায়বগী ৱাদনি। চহী মতাং অমদা হেক্তা অতোপ্পা লোল অমা তম্বা মতমদা চপ মান্নবা মওংদা কান্নবা ফংই। অনৌবা লোল অমা তম্বা মতমদা মপুং ফানা হৈতবা য়াদে হায়বা করিসু লৈতে। হেন্না মরুওইরিবদি খরদং ওইরবসু হৈনবা হোৎনবদা ব্রেননা এক্সরসাইজ তৌবগী মওং অদুনি। নোংমগী অনৌবা ৱাহৈ অনী-অহুম তমশিন্দুনা মরুওইবা ৱাহৈ ১০০ খক খঙবা মতমদা লোল অমবু মপুং ফানা খঙবমক নৎত্রবসু পাউ ফাওনবা ঙমগদবা মওংদা শোয়দনা খঙগনি।

কনাগুম্বা অনৌবা লোল তম্লিংলবদি ‘গুগুল লর্ন হন্দ্রেদ কোর ৱর্দস’ তগী শেল তীংদনা অরায়বা মওংদা তম্নবগী খুদোংচাবা পীরি। নোংমগী অনৌবা ৱাহৈ অহুমখক তমশিনবা মতমদা থা অহুমগী মনুংদদি ৱাহৈ ৩০০ গী ময়াদা শোয়দনা খঙবা ঙমগনি। মতমদুদা ব্রেনগী ফীভম ফবসু হেনগৎলক্কনি হায়রি।

এম কোইরেংগী ১০৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

103rd Birth Anniversary of
SHRI M. KOIRENG SINGH
FREEDOM FIGHTER & EX-CM, MANIPUR
INA Memorial Hall Moirang
PRESIDENT
CHIEF GUEST

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বদা নত্তনা নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোসকী লুচিং মখাদা ফ্রিদম ফাইটর ওইনা বৃটিশকী মখুৎতগীনীংতম্নবা হোৎনরম্বা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোইরাংদগী মাইরেম্বম কোইরেংগী ১০৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম মাইরেম্বম কোইরেং মেমোরিএল ট্রষ্টনা শীন্দুনা মোইরাং আই এন এ হোলদা লৈখিদ্রবা অসিগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, ফোর্মর মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রো, এক্স মিনিষ্টর ডা. কেঐচ রতনকুমার অমদি ফোর্মর এম এল এ ডা. আই ইবোহলবী অমদি এক্স এম এল এ, এম পৃথিবিরাজশু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এক্স দেপ্যুটিসী এম গাইখাঙমনা ফোঙদোকখিবদা, অচুম্বগীদমক শিবা কিদনা লমদম অসিগী ইন্টিগ্রিটি ঙাকপগী শেম্বীরম্বা অতাংবা চীফ মিনিষ্টরনি। লোয়ননা ইচং থৌনা অকিবা লৈতনা লৈবাক অসিগী সেবা তৌমিন্নসি হায়না মীয়ামদা আপিল তৌখি। ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা অথৌবা অসিনা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু নীংশিংবগা লোয়ননা দিল্লি চৎলো হায়বা দ্রামা অমসু মীয়ামদা খুদোল তমখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী বন্দ শৌগৎপা মীওই ৩ ফারগা রিমান্দ লৌথখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর১৯(ঐচ এন এস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নাচৌ খা লৈকায়দগী খুন্দোংবম দোরেন অপোকপা লৈখিদ্রবা কেঐচ য়াইস্কুল কৌবা অমা চহীসিগী নবেম্বর ৯ গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা য়ুমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবা মফম খঙদনা লৈরি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা মহাক্কী লৈফম পুথোকপীনবা তকশিনখ্রবসু ঙসি ফাওবা মফম খঙদনা লৈবদগী জে এ সী অসিনা দিসেম্বর ১৮ গী অহিং নোংয়াইদগী দিসেম্বর ১৯ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা পুং ২৪ গী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বন্দ চত্থখ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ৮ রোম তাবা মতমদা নাচৌ লমখায়দা লম্বী থিংদুনা বন্দ অদুবু শৌগৎলম্বা মীওই অহুম বিষ্ণুপুর পুলিসনা ফাখি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি, নাচৌ খা লৈকায়দগী তোইজম সোমোরজিৎ (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা শকথি, নাচৌ মমাং লৈকায়দগী নোংমাইথেম জয়কুমার (৩৩) অপোকপা এন মনি অমদি নাচৌ খা লৈকায়দগী খুন্দোংবম রোমেস (৩৫) অপোকপা কেঐচ মেরানি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ফারবা মীওই অহুম অদু ঙসি বিষ্ণুপুরগী চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ হুমনিগী পুলিস রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

বন্দ মনুং অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা পুলিস কম্মান্দোশিংনা লম্বী ঙাক শেন্দুনা লৈখি। লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিং পলহন্দনা চৎহনখি হায়রি।

বোলেরোনা থোম্বদা অহল ১ শিরে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কংলাতোম্বী মন্দির মনাক্তা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা খোঙনা চৎলম্বা অহল অমা বোলেরোনা থোম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমীং বোম বহারদুর বট্টারাজ (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা মকিদাস বট্টারাজ কৌই। মহাক কংলাতোম্বীদা লৈবনি হায়রি। অশিবা হকচাং অদু পুলিসনা পুরক্লগা রিমসকী মোর্গতা পোর্ষ্ট মোর্তেম তৌখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নবা গাড়ীসু পুলিসনা ফারে হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকচবা

হৌখিবা দিসেম্বরগী তাং ১৬ কনুমিদাং পুং ৮ গা মীনিট ৩৫ তাবা মতমদা ইংশোক ১৯৭৬ তা Mr. Manipur Title ফঙখ্রবা লোয়ননা Indian Body Building and Fitness Federation গী National Judge ওইবিরম্বদা নত্তনা All Manipur Body Building and Fitness Association গী President ওইবীরম্বা Singjamei Okram Leikai দা লৈবা **Shri Loitongbam Manglem Singh** না মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা মহাক্কা লোয়ননা থৌ পুমিন্নরম্বা মহাক্কী মরুপ মপিজাশিংনা ঙরাং পিশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা লৈবা Y.B.B Gym গী শংলেনদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহাক্কা লোয়নমিন্নরম্বা মহাক্কী মরুপ মপিজাশিংনা মীনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী আত্মানা ঈশ্বরগী খুয়াদা তংদু লৈতানা ইংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা ঃ

হান্নগী **All Manipur Body Building and Fitness Association** গী মহাক্কা থৌ পুমিন্নরম্বা মহাক্কী মরুপ-মপিজাশিং

HL-P/5862/20

IPS CANCHIPUR
ADMISSION OPENS FOR 2019
BOTH SCHOOL & BOARDING
(FROM PRE- NURSERY TO IX)

EMPLOYMENT NEWS

1) Head Warden (Male); Graduate/P.G in English B.Ed or its equivalent Age :- 40-55 yrs. (Salary : Rs. 13000- Rs. 15000)
2) Head Warden (Female) Graduate/P.G in English B.Ed or its equivalent Age :- 30-50 yrs. (Salary : Rs. 11000 -Rs. 15000)
3) Asst Teacher cum Wardens (Male) Graduate/P.G one each for English, Physics, Chemistry, Bio, Maths, Man-B.Ed or its equivalent (Salary Rs. 11,000 - Rs. 13,000)
4) Asst Teacher cum Wardens (Female) Graduate/P.G, one each for S.Sc. English, Hindi, Man., H.Sc. B.Ed or its equivalent (Salary - Rs. 10000 - Rs. 13000)
5) Assistant Teachers Graduate/P.G one each for Maths, Science, English, Hindi, Manipuri, S/Science (Salary - Negotiable)
6) 3 Rhyme Teachers - XII/Graduate (Salary - Negotiable)
7) 1 male & 1 Female nurse or Pharmacist (Salary - Rs. 7000 to Rs.10,000)
8) 2 Boarding drivers (light/Heavy), 2 Cooks, 2 Chowkidars (Salary Rs. 6500- Rs. 8000)
9) 3 Male and 2 Female Boarding securities and 1 Female Helper (Salary Rs. 6000- Rs. 8000)

Note :
1. Last date of submission of Application 21/12/2018
2. Date of Interview 23/12/2018 at 10:30 a.m.

Contact : 8257807581 (Reception)

Free Private Tuition for Boarding by the Guest and Non-Guest Teacher
Free Transportation for all the Boarders of IPS Boarding Kyamgei
Free School Fees for all the Boarders of IPS Boarding Kyamgei

HL-P/5663/12/11-11/12(Alt.)

NOW SHOWING FRIENDS TALKIES,KAKCHING,MOIRANG,NAMBOL,KHUMBONG
FOUNDATION DAY,CHAK-UMBA,BIRTH DAY, NAHUT NARENG LUHONGBA CHAKOUBAGI KAPCHEI
8787668760,8794687252
MEGA SUPERHIT FILM 2018
Friends Talkies 50days running
Nongthombam films
LYRICS, STORY SCREENPLAY & DIRECTOR
SANATON NONGTHOMBA
CHANU IPS
EKAI NUNGSI YANARE
A MEITEI FEATURE FILM
HL-P/2589/30,1-17Jan.

Skill India
JCRE
Skill Solutions
empowering our youth
N·S·D·C
National Skill Development Corporation

ADMISSION OPEN

NAME OF THE COURSE	DESCRIPTION	Batch Timing	DURATION
Travel & Tourism (Tour Guide)	Overview of Tourism Industry, Tour Guiding Skills, Preparation of Travel Itinerary	3:30 PM – 4:30 PM	3 Months
Communication & Soft Skills	Interview Skills/Speaking/Reading/Writing Skills/Personality Development	3:30 PM – 4:30 PM	2 Months

HURRY UP...!!! NEW BATCHES STARTING SOON IN JANUARY..!!! ENROLL NOW

For further details, please contact:
JCRE Skill Solutions, Thangmeiband
Meisnam Leikai, Opp. Thau Ground,
Imphal West, Manipur
0385-2414567, 7085051125
Email: admission@jcre.ac.in
Please visit: www.jcre.co.in
JCRESkillSolutions
JCRE_Skill

How To Apply:
- Educational qualification: Minimum Class XII Passed & Above
- Identity Proof: Aadhaar Card
- 2 Passport Size photos

Features:
- Free Counseling
- Free Trial Class
- Well Equipped Lab
- Job Placement Assistance

HL-B/4932/18,19&20